# এক্টর চিংলেন থিয়ামগী মফমদা অরোইবা লৈকৎ তম্বা

- নানি -



জুন ১৮ হায়বসি মণিপুরগী ওইনদি মহি ময়াই য়াম্না কনবা নুমীৎ অমনি হায়দবা য়ারোই। নুমীৎ অসিদনি কনানসু হৌনরুবা তৌদনা লমদমসিগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া পিখম্নখিদুনা হৌজিক ফাওবা জুন ১৮গী থৌরম কেক্রু পাৎতা পাঙথোক্লিবা। নুমীৎ অসিনা ঙসিসু মীয়ামগী পূক্নিংদা ৱাখলদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরিবনি। করম্না পাক কাউবা য়াগনি নুমীৎতুগী থৌদোক? কুমসি চহীগী ওইনা, কেক্রু পাৎতা অথৌবশিংদুগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌরম পাঙথোকপা নুমীৎ অদুমক্তদা লমদমসিগী তাঙলবা এক্টর চিংলেন থিয়ামনা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, লম্ফেলগী ইন্সেন্টিভ ক্যের য়ুনিটকী ফমুংদা অরোইবা মীহুন হুনখিবা। নুমীৎ অসিদা পুখিবনি মমল নাইদ্রবা এক্টর অমগী থৱায় মীরেলসু মপু মাগী মনাক্তা।

মহাক লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অসি খুদক্তা তাখি। মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী শঙলেনদা ঐখোয় খরা ফমদুনা ৱারী শানরিঙৈ মতমদা এক্টর অসিগী মচানুপা অহলনা পাউ পীরকপদগী নুংঙাইতবা পাউ অসি তাবনি। পাউ অসিনা য়াম্না নুংঙাইহনখিদে। মণিপুরী শুমাং লীলাবু নুংশিবা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা অহকপা চৈনা অমা পীরম্মী। তশেংনমকসু চিংলেন থিয়াম য়াম্না মতিক ময়াই চেনবা শক্তম লাংবা অমা ওইরকখি। মহাক্না করম্না শিনফম অসিদা চঙলকখিবা হায়বদুগী অশেংবা ৱারীদি কনাদসু লীরমদবনা অশেংবা অমদি খঙবা ঙমদ্রে। অদুগা মহাক্না লোয়নরকপা কয়ানা লীবা ৱারী নত্তনা কনা অমত্তনা মহাক্কী অশেংবা ৱারী অসিমদি খঙনদে। অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায় তৌদুনা মান্নদবা ষ্টেটমেন্ট কয়া অমা থোরকপা থেংনৈ। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মহাক লমদম অসিগী য়াম্না মতিক ময়াই চেনবা শক্তম লাংবনি হায়বা অসিমদি তশেংনা চুম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈদা মখল কয়াগী লীলা কয়া কুম্লকখি। মহাক অদু য়াম্না কন্না এক্টিং অমদি মসিগী বেসিক ওইবা লৌশিংদি লৈখিবা নত্তে। মরমদি মহাক মসিদা থওইনা তমখিবদি লৈতে। মশাগী পীথোরকপা অমদি লোয়নরম্বা অহল-লমনশিংনা মঙোন্দা অসুম-অসুম তৌগদবনি হায়না তাকপীরকখিবা অদুনা মহাক্কীদি য়ুম্ফমনি।

য়ুম্ফম অসিদা লেপ্পগনি মহাক্না মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বা, মমল নাইদ্রবা খুদোল কয়া পীরম্বা। অসুক পাম্মুখ্রবা অমনা মাঙখিবা হায়বসি, অচৌবা মাঙজবা অমনি। মরুওইনা মণিপুরী শুমাং লীলাগীদি মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অমা ওইনা লৈহৌরগদবনি।

মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা খোঙচৎ অসিদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা থৌবু ওইনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবগী য়ুম খাবিদা লমদম অসিগী এক্টর ময়াম, মহাকপু নুংশিজবা কয়ানা শরুক য়াদুনা অরোইবা লৈ কৎপগী থৌরম অমা "শ্রধাঞ্জলি" হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদু হৌখিবা জুন ২৮, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌখি। থৌরম অদুদা মণিপুরী শুমাং লীলাগী পেট্রোনেজ ওইনা লৈরিবশিং, ৱারেপ্পা নবা, ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো, পি ঐচ গুনচন্দ্র, তর্পোন অমদি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ইমা পুর্ণিমাসিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা লেংশিনখি। শুমাং লীলাগী এক্টরনা মপুং ওইনা তীনখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবগী শক্তম মমিদা লৈ কৎখি। থৌরম অদুদা মহাক্না লোয়ন-তীন্নরম্বা কয়ানা মহাক্কী মরমদা মরুওইবা ৱাফম কয়া থম্নখি। মমাঙদা লৈখিদ্রবা অসিগী মরমদা খঙনরমদবা মরুওইবা ৱা-মচঙ কয়া অমা মীয়ামদা পাউদমদুনা মতিক ময়াই চেল্লবা এক্টর অসিবু শীংথাদুনা অৱা-নুংঙাই কয়াগী ৱারী-পাউদম তম্নখি। ৱাফম থমখিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মিনিষ্টর ওইরম্বা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী এদভাইজর ওইনসু লৈরিবা ডা. মোইরাংথেম নরনা মণিপুরী শুমাং লীলানা মীয়ামগী পুন্সিবু তংদু-লৈতানা লৈহনবতা নত্তনা পুন্সিগী শীংথাবা, চোকথরবদা পোথাহনবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পোকহনবা ঙমদুনা নুংঙাইবা পুন্সি অমা শেমগৎনবা হোৎনরক্লি। অসিগুম্বা শুমাং লীলাদা এক্টর ওইরম্বা অমনা লৈখিদবা অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না অমদি মহাকপু নুংশিজবশিংনা মহাক্কী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা






অসি য়াম্না মরুওইবা তঙাইফদবা থৌদাং অমনি হায়না শীংথাখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা কোন্থৌজম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরিবা ডা. রঞ্জননসু লৈখিদ্রবা আর্টিষ্ট অসিগী মরমদা মহাক্কী অচম্বা পুন্সি অমদি মী অমগা মী অমগগী মরক্তা ইরায় লায়না মরী শম্নবা ঙম্বা মগুন কয়াগী মতাংদা পন্দুনা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়নননা মহাক্না লৈখিদবা অসিদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই হায়না থমখি। মখা তারকপদা লৈখিদ্রবা চিংলেন থিয়ামগা মতম শাংনা লোয়ন-তীন্নদুনা লীলা তৌমিন্নরকপা মহাক্কী অনৌবা লীলাগী মায়ওন অমা পুরকখিবদা থৌদাং লৌমিন্নরকখিবা নরেন্দ্র নিঙোম্বনসু মহাক্কী মরমদা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা এক্টর অমনা খুন্নাই অসিদা তৌরম্লিবা থবক কয়াশিং অসিদি য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা ঙাক্তনি হায়বা ৱাফম পনখিবগা লোয়ননা খুন্নাই অমদি এক্টর অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী কয়া অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কা থমখি। চিংলেনখোম্বা থিয়াম য়াম্না তাঙবা তোঙান-তোঙানবা টেলেন্ট কয়া লৈবা, মরুওইনা ফাগি নীংথিনা পুবা ঙম্বা মীশক অমনি হায়না নীংশিংখি। লীলাগী ৱা নত্তনা পূম্নমক্না তীন্নবা য়াবা য়াম্না তাঙবা মীশক অমনি হায়না পনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মফম অসিমদি শুমাং লীলাদা মতম চুপ্পগী ওইনা হিংদুনা লৈহৌরগনি হায়নসু পনখি। বি জে সী শর্ম্মা, এস মঙ্গোলজাও, ইবোয়াইমা খুমন, ৱারেপ্পা নবনচিংবা কয়ানা ৱাফমশিং থমখিবা অদুগী থৌরম পরেং লেংলদুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস হেমন্তনা থৌরমগী ৱাহৌদোক পীদুনা লৈখিদ্রবা এক্টর অসিগী মরমদা ৱাফম কয়া অমা ফেঞ্জিন্দুনা য়াম্না মপূং ফাবা থৌরম অমা ওইখি।

থৌরম অসি মপূং ওইনা য়েংলুবদা, য়াম্না ফজবা অমা ওই। শক্নাইরবা শুমাং লীলাগী এক্টরশিংনা লৈখিদবদা অসিগুম্বা মহাকপু নীংশিংবা থৌরম অমা মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকপা অসিনা এক্টর অদুগী মফমদা পীফম থোকপা চপ চাবা ঈকায়খুম্নবা অদু উৎপা অসিনা এক্টরশিংগী ইন্টিগ্রিটি অমা পুরকপদসু অচেৎপা লংলা অমা ওইহল্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ০৫।০৮।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ১০.১৫ ফাওবা ইঙেলগী থানিলনি মতুং ১৬নি পাল্লনি।**

**মেষ :** মরুপ-মপাংনা চানবীবা ৱাৎলসু অমদি নীংবা মপামক চাদ্রবসু নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি ইমুং-মনুংগা পাংমীন্নবা থবক্তা মায় পাকচগনি , মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** ঙাঙবা-শকপা হৈবা খরা ৱাৎলসু অমদি খূৎচাও থাবসু য়াদবা নুমিৎ ওইরসু য়েক্লববু খুদুম চনবা ঙমজবা অমদি ইমুং-মনুংগী মতেংনা লন-থুম তানশিনবা ঙমজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - শাজৎ হৈবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/অশংবা।

**মিথুন :** লাইবক ফরনি, নরল চাওখৎকনি অমদি লৌশিং চাওবনা অয়াম্বা থবক্তা মতিং ফুদোক্না থৌ পাংবা য়াগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু অমদি অনৌবা মী থাজগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইরনি, মীচং লৈরনি অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি। অদুবু পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি নথক থোংবনা ৱাহনবা লৈগনি। পংশিন্নবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা য়াম্না চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** হোয়া ফগনু, নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু অমদি অশাওবনা নুংশা থীবা নংহনবা য়াবা লৈ-অদুনা তপথৌ। হকচাংদি নুংঙাই, লেপকনু -মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** খোইরাং-খোইশাওবনা ঈংথবা ফংদে অমদি থাজদনা নক্লবনা তাথীগনি। নচা-ননাইগী লম্দা খুরৌ থাংবা লৈগনি। হকচাংদি নুংঙাই, মীনা থাগৎপিবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** মীৱা লৌদবা, য়েৎতবা অমদি অখঙ-অহৈ শাদবনা কান্নবা ফংজগনি। থেংলপ্পা নুংঙাইজবা অমদি নীংবা থুংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মীচংদি য়াম্না হেনগৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** নুংঙাইফম খঙদে, অঙম্বনসু ইচান চানবীরোই অমদি চরাংনবনা মীয়ামগা মরী ফরোই। মীৱা লৌদবা, নোল্লুকপা অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎপনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** হরাওবা নুংঙাইবা, লাইবক ফবা অমদি অনৌবা থৌরম নত্রগা থৌরাংনা হেন্না মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। চিন কনগনু অমদি অশাওবা থাদোকউ-য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** ৱানোম থৌনোম কান্নবা, অরং-অরাক ফংজবগী নুংঙাইবা অমদি পাউসু নুংঙাইবা তাজবা লৈগনি। হৈ-শিংবা শাবা, খূৎ চাওবা অমদি মরৈ কনবনা মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙথোকপদি তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।


**কুম্বা :** থবক পাংগনি, মীচং লৈগনি, খূৎ চাওবা/অশা চাওবগী কান্নবা ফংগনি। অনম তানবা অমদি মীৱা লৌবনা ঙসিসু মাঙবা খরদি লৈরসু লাই-গুরুনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** অনম তানবা, মরম চাদনা থৌনা ফুদোকপা অমদি অঙম্বনা তাথীবা লৈগনি। অদুবু নঙগী ওইবা মী লোয়নরদি মীকোক থোংগনি, য়েক্লবা ঙমগনি, থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তপথবনা য়াইফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




Title: House
By: Khaidem Belinda
Class: II Sec: Roll No. 03
School: Shishu Nistha Niketan School




Title: Ladybird
By: Bincy Kshetrimayum
Class: KG Sec: D Roll No. 02
Address: Kids' Foundation




Title: Sangai
By: H. Deveesh
Class: III Sec: C Roll No. 07
School: Rama Krishna Mission School




Title: A Girl
By: Evantina P.
Class: V Sec: Roll No. 06
School: S.F.S



Title: A House
By: Ipham Ashif
Class: II Sec: A Roll No. 20
School: Smart Universal Academy



Title: Ladybird
By: L. Kaira
Class: K.G. Sec: D Roll No. 49
School: Kids' Foundation



Title: Aforestation
By: Yumnam Lanleima
Class: I Sec: A Roll No. 12
School: Smart Universal Academy



Title: House With Tree
By: Manav
Class: II Sec: Roll No.
School: Kendriya Vidyalaya Lamphel




Title: Mermaid
By: Nibedita Khumukcham
Class: III Sec: A Roll No. 53
School: Little Flower School



Title: Mermaid Girl
By: Okram Oliviya
Class: II Sec: Roll No. 06
School: Pari Imom Khwai Shindam Shang, Pangei



Title: Aunicorn
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Uchiwa High School (Aided)



Title: A Woman
By: Rija Ksh.
Class: I Sec: B Roll No.: 27
School: Unacco School